# সব–জুনিয়র বোইজ ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্টদা নেরোকা, সেনাপটি অমদি বি এফ এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১০ দগী খুমন লম্পাক আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা টিম ২৪ না নোক আউর্ট বেসিসতা শরুক য়াদুনা চখরিবা অহানবা সব–জুনিয়র বোইজ ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নেরোকা ইম্ফাল ইষ্ট, সেনাপটি এফ সি সেনাপটি অমদি বি এফ এ বিষ্ণুপুর মায় পাক্লুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা নেরোকা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি অম্ফা য়ুঠনা শান্নখিবা মেটচতা নেরোকানা অম্ফা য়ুঠবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা নেরোকাগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ১ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা গোল ৩ চনখি। মায়থিরবা অম্ফা য়ুঠগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অনীশুবা হাল্ফতা চনখি।

নেরোকা ইম্ফাল ইষ্টকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২ রেং শিংকোমনা মিনট ২৯, জর্সি নম্বর ৭ এল তরুনকুমারনা মিনট ৪৩, জর্সি নম্বর ৮ সি ঐচ অমরজিৎনা মিনট ৪৫ অমদি জর্সিল নম্বর ১৭ এম দি অরসাদনা মিনট ৭৬ চৎপদা চনখি। অম্ফা য়ুঠগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৭ এস রাহুলনা চনখি।

মেটচ অসিদা নেরোকাগী জর্সি নম্বর ৩ থৌবা, জর্সি নম্বর ১৭ অরসাদ, জর্সি নম্বর ১৬ দিপক অমদি অম্ফা য়ুঠকী জর্সি নম্বর ১৬ বিসালদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি এল হরিমোহন, এস কেনিদি, আর কে রঞ্জন অমদি আর কে ভুবোলনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ৱান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা সেনাপটি এফ সি সেনাপটি অমদি সাই বিষ্ণুপুরনা শান্নখিবা মেটচতা সেনাপটিনা সাইবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সেনাপটিগী গোলশিং অদু অনীশুবা হল্ফতা জর্সি নম্বর ৯ মানেরিনা মিনট ৬৮ অমদি জর্সি নম্বর ১০ থাঙখালেননা মিনট ৭৮ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা সাই বিষ্ণুপুরগী জর্সি নম্বর ৪ এল হেম্বা অমদি জর্সি নম্বর ১ কে রোহেসতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি এল ভুবোল, আর কে রঞ্জন, এস কেনিদি অমদি এল হরিমোহননা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ৱান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দা ৱাই দব্লিউ সি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি লাগসা চানে দলনা শান্নগদবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি ইম্ফাল ৱেষ্ট শান্নবা লাকখিদ্রে।

৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী ৪শুবা গ্রাউন্দা ই এস য়ু ইম্ফাল ইষ্ট অমদি বি এফ এ বিষ্ণুপুরনা শান্নখিবা মেটচতা বি এফ এ বিষ্ণুপুরনা ই এস য়ু ইম্ফাল ইষ্টপু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা বি এফ এ বিষ্ণুপুরগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১২ ইন্দর রাহমননা মিনট ২০ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১০ এল রাকেসনা মিনট ৫৫ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা ই এস য়ু ইম্ফাল ইষ্টকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১০ এম রিশিকান্তনা মিনট ৫৭ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা বি এফ এ বিষ্ণুপুরগী জর্সি নম্বর ৪ সলাও রাহমনদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।

মেটচ অসি এম ইবোমচা, এ কে তুনেশ্বর, ৱাই সমরজিৎ অমদি টি ঐচ অরুনকুমারনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফরি, এষ্টিটেন্ট রেফরি ৱান, এষ্টিটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

চখরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অয়ুক পুং ৮ তাবদা জে এ ককচিং অমদি টি ৱাই দি এ বিষ্ণুপুরনা অহানবা গ্রাউন্দা, অয়ুক পুং ১০ তাবদা সাই আর এফ এ ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি এ এম এস সি ইম্ফাল ৱেষ্টনা অনীশুবা গ্রাউন্দা, নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা ৱাফা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি অমোফা(এ) বিষ্ণুপুরনা অহুমশুবা গ্রাউন্দ অমদি নুংথিল ৩.৩০ তাবদা এস দব্লিউ সি ককচিং অমদি কে এ এফ সি চান্দেলনা মরিশুবা গ্রাউন্দা শান্নগনি।

# কুঙ্গ্রাশুবা ষ্টেট থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপগী জুনিয়র বোইজ ফূন্নবা অনীদা কে ঐচ অবোমচানা গোল্ড মেদল লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (এস এন এস)ঃ হুয়েন লাঙলোন থাঙ–তা এসোসিয়েসন মণিপুর অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট থাঙ–তা এসোসিয়েসননা পূন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী য়ুনিট ১৮ দগী লাকপা নুপা শান্নরোই ২২৬ অমদি নুপী শান্নরোই ১০৯ পূন্না শান্নরোই ৩৩৫ না শরুক য়াদুনা উখ্রুলগী হুঙপুং বাকশি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চখরিবা ৩০ শুবা ষ্টেট থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা জুনিয়র বোইজ ফূন্নবা ২গী কেজি ৪৪ দা কে ঐচ অবোমচা সিংহনা অহানবা, এন চেতন মৈতৈনা অনীশুবা অমদি ঐচ মঙাললৈবা মৈতৈনা অহুমশুবা তাখি।



কেজি ৪৮ মখাগীদা এল বিসাল শর্ম্মানা অহানবা, এল জেমসবোন্দনা অনীশুবা অমদি টি ঐচ বিনিকান্ত অমঅতনা অহুমশুবা তাখি। কেজি ৫২ মখাগীদা এম থোইসনা সিংহনা অহানবা, কে বরুন মৈতৈনা অনীশুবা অমদি এ সোমোরজিৎ সিংহনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৬০ মখাগীদা ৱাই দিপকনা অহানবা অমদি কে ঐচ তোমপোকনা অনীশুবা তাখি। কেজি ৬৫ মখাগীদা খিজেন শগোলশেমনা অহানবা অমদি এম বিরবলনা অনীশুবা তাখি। কেজি ৭০ মখাগীদা ৱাই রোহিৎনা অহানবা অমদি কে জি ৮০ মখাগীদা নোংলেনখোম্বনা অহানবা তাখি।

সব–জুনিয়র বোইজ ফূন্নবা অনীশুবগী কেজি ৩৫ মখাগীদা কে লবসননা অহানবা, এল অশামনিনা অনীশুবা অমদি অনিস লৌরেম্বমনা অহুমশুবা তাখি। কে জি ৪১ মখাগীদা লনচেনবনা অহানবা, বিকাসনা অনীশুবা অমদি এস রবিনাসনা অনীশুবা তাখি।

কেজি ৪৫ মখাগীদা এস নোংয়াইনা অহানবা, রোবার্টসননা অনীশুবা অমদি কে রোসননা অহুমশুবা তাখি। কেজি ৪৯ মখাগীদা বোরিস শর্ম্মনা অহানবা, কে এস ঐচ লানমঙাংনা অনীশুবা অমদি এন জি মনিকুমারনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৫৩ মখাগীদা থোইথোইবা খূমন্থেমনা অহানবা, কে অজিৎ সিংহনা অনীশুবা অমদি এম জোন্সন সিংহনা অহুমশুবা তাখি। অমদি কেজি ৫৩ মথক্কীদা এল থৌনা মৈতৈনা অহানবা, রোনল্ডো কিয়ামনা অনীশুবা অমদি টি ঐচ দিসননা অহুমশুবা তাখি।

সব–জুনিয়র গার্লস ফূন্নবা অনীগী কেজি ২১ মখাগীদা ঐচ য়াইফবি দেবীনা অহানবা অমদি লমঙানবী হুইদ্রোমনা অনীশুবা তাখি। কেজি ২৫ মখাগীদা দব্লিউ কোরিয়া চনুনা অহানবা তাখি।

কেজি ২৯ মখাগীদা এল নিবাশিনিনা অহানবা অমদি টি ঐচ লেম্বীসনা দেবীনা অনীশুবা তাখি। কেজি ৩৩ মখাগীদা জয়টি সুনরনা অহানবা তাখি।

কেজি ৩৭ মখাগীদা এল এরিসিয়ানা অহানবা অমদি ঐচ রোশিনি দেবীনা অনীশুবা তাখি। কেজি ৪১ মখাগীদা চান্দনী সুনরনা অহানবা, এল দিভিয়া দেবীনা অনীশুবা অমদি পি শৈনিজানা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৪৫ মখাগীদা কে থাবল্লৈনা অহানবা, কে থজা চনুনা অনীশুবা অমদি এস ভেলিন্দনা অহুমশুবা তাখি। কে জি ৪৯ মখাগীদা সি ঐচ রোনিবলানা অহানবা তাখি। কেজি ৫৩ মখাগীদা এস মালেমঙানবী চনুনা অহানবা, টি ঐচ থোই চনুনা অনীশুবা অমদি এম মিল্কিনা অহুমশুবা তাখি। কেজি ৫৩ মথাক্কীদা এস রোজিকা চনুনা অহানবা অমদি নুংঙোল সনা তখেলম্বমনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়র বোইজ ফূন্নবা অমগী কেজি ২১ মখাগীদা প্রিয়োবর্টা লুৱাংনা অহানবা, রোহেনবা মৈতৈনা অনীশুবা অমদি থোইহেননা অহুমশুবা তাখি। কেজি ২৫ মখাগীদা সাগর সুনারনা অহানবা, ন্যুসননা অনীশুবা অমদি এননিভাসনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ২৯ মখাগীদা ভিক্টর রাজনা অহানবা, ঐচ কিয়াম্বা মৈতৈনা অনীশুবা অমদি ঙানবানা অহুমশুবা তাখি। কেজি ৩৩ মখাগীদা এম মেক্সনা অহানবা, টি রোহিটনা অনীশুবা অমদি এস দিভাসনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৩৭ মখাগীদা এন কলিঙ্গানা অহানবা, এস পৃথিবী রাজনা অনীশুবা অমদি এস মলেমঙানবা মৈতৈনা অহুমশুবা তাখি। কেজি ৪১ মখাগীদা টি ঐচ গুনাবন্তানা অহানবা, কে এস ঐচ জেমসনা অনীশুবা অমদি টি ঐচ বোনিসনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৪৫ মখাগীদা এস সদানন্দানা অহানবা, এল বোই নাওনা অনীশুবা অমদি এল চিং লেম্বনা অহুমশুবা তাখি। কেজি ৪৯ মখাগীদা এল লেন্দ্রসননা অহানবা, কে এস ঐচ এলেক্স মৈতৈনা অনীশুবা অমদি পোইন্টিং তোঙব্রমনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৫৩ মখাগীদা অঞ্জিকা সঙাইপ্রৌগী নিলাকান্ত নিংথৌজম না অহানবা, লুৱাং থাঙ–তা একাদেমী শাজো লৈকাইগী টি ঐচ বদনকুমারনা অনীশুবা অমদি কঙলাশাগী এস রাকেসনা অহুমশুবা তাখি।

কেজি ৫৩ মথক্কীগীদা এম আই এম সি টি এগী কে খূরাইঙাকপা মৈতৈনা অহানবা, টি টি এম য়ুম্নাম হুইদ্রোমগী এল রানল সিংহনা অনীশুবা অমদি পাহুলশি ময়াইকোইবীগী আই রাজেন কুমার সিংহনা অহুমশুবা তাখি।

# ওইনাম চার্লি নীংশিং কাঙ টুর্নামেন্টগী চেম্পিয়ন ওইনাম কেন্দ্র কাঙখূৎনা ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (এস এন এস)ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ওইনাম রোমেন সিংহনা স্পেন্সর তৌরগা শিংজমৈ কাঙখূৎনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ১৪ দগী টিম ১৩ না গ্রুপ– ৪ থোক্লা খায়দোক্লুনা শিংজমৈ কাঙশংদা চখরকপা অনীশুবা ওইনাম চার্লি সিংহ নীংশিং চহী ৫০ অমদি ৬০ মথক্কী লীগ কম নোক আওট কেন্দ্র ৱাইজ কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯গী চেম্পিয়ন ওইনাম কেন্দ্র কাঙখূৎনা ওইখ্রে।

টুর্নমেন্ট অসিগী অরোইবা মেটচ ওইনা ঙসি ওইনাম কেন্দ্র কাঙখূৎ অমদি য়াইস্কুল কেন্দ্র কাঙখূৎনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ওইনাম কেন্দ্রনা য়াইস্কুল কেন্দ্রবু পাঞ্জল ২১–৯ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইবা ঙমখিবনি।

মায় পাক্লবা ওইনাম কেন্দ্রগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১০ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১১ পূন্না পাঞ্জল ২১ স্কোর তৌখি। মায়থিরবা য়াইস্কুল কেন্দ্রগী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৫ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৪ পূন্না পাঞ্জল ৯ খক স্কোর তৌখি।

টুর্নামেন্টগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ওইনাম কেন্দ্রগী শান্নরোইশিং অদুদি– ও ইবোমচা সিংহ, ও বাবু সিংহ, সি ঐচ সুরেস সিংহ, এল মাইমু মৈতৈ, এম নিলাকান্ত সিংহ, এ ওপেন সিংহ, ও রঞ্জিৎ সিংহ, ও য়ুগিন্দ্রো সিংহ অমদি কে ঐচ অমুবি সিংহনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ওইনাম কেন্দ্রগী এ ওপেন সিংহনা চেকফৈ ৭ কাপ্পুনা বেষ্ট চেকফৈ অমদি কাঙখূৎ অসিগী এম নিলাকমলনা লমথা ১২ কাপ্পুনা বেষ্ট লমথা তাখি।

ৱিন্নর ওইখ্রবা টিমদা লুপা লিশিং ১০ গা লোয়ননা ট্রোফি অমদি রন্নস অপ তাখ্রবা টিমদা লুপা লিশিং ৭ গা লোয়ননা ট্রোফি খূৎশিন্নদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

লোয়শিনবগী থৌরমদা মোর্দন কোলেজগী রিটির্য়দ প্রিন্সিপল এস নবাচন্দ্র, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী রিটির্য়াদ প্রিন্সিপল এনজি ব্রজাকুমার অমদি শিংজমৈ কাঙখূৎকী প্রসিদেন্ট এন নিলাকান্তনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# মৈরাবা লুৱাং ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (এস এন এস)ঃ পজর্দজিক বেদমিন্টন ক্লব অমদি বলগেরিয়া বেদমিন্টন ফেদরেসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৮ দগী ১১ ফাওবা বলগেরিয়াগী পজর্দজিত্তা পাঙথোকখিবা বি দব্লিউ এফ বলগেরিয়া জুনিয়র ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী মৈরাবা লুৱাংনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

চহী ১৯ মখা কাঙলুপগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা মৈরাবা লুৱাংনা রসিয়াগী জিওরজি কারপোভগী মখূৎত্তা ১৯–২১, ২১–১২, ১৮–২১ দা মায়থিবা নংখি।

# অনীশুবা ইনভাইতেসন জিমনাষ্টিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর জিমনাষ্টিক এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর জিমনাষ্টিক পেরেন্ট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পূন্না শান্নরোই ৮১ দা শরুক য়াদুনা চখরকপা অনীশুবা ইনভাইতেসন জিমনাষ্টিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ঙসি অরোয়বা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপামচা চহী ১২ মখাগী ভোলটিং টেবলদা টি ঐচ অবিনাসনা অহানবা তাখি। চহী ১৪ মখাগী ফ্লোর এক্সসরসাইজ, পোমমেল, রোমান রিংস অমদি হোরাইজেন্টেল বারদা কে ঐচ লক্ষমননা অহানবা তাখি। চহী ১৪ মখা ভোলটিং টেবলদা ও উমাজিৎনা অহানবা তাখি। এরোবিক ওপনদা অরিহা পঙাবমনা অহানবা তাখি।ইস্পিসিয়েল এরোবিক প্রাইজনা বামবে চিংশুবমনা তাখি।

# ২৩ শুবা জুদো চেম্পিয়ন্সিপ হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (এস এন এস)ঃ মণিপুর জুদো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা য়ুনিট ৮ দগী লাকপা সব–জুনিয়রগী জুদোকা ১০৫ অমদি কেদেটকী জুদোকা ৪৯ না শরুক য়াদুনা ২৩ শুবা ষ্টেট সব–জুনিয়র অমসুং কেদট জুদো চেম্পিয়ন্সিপ শান্নবা হৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা সব–জুনিয়র গার্লসকী কেজি ৩৬ তা এম এল এস এগী পি রোজানা, কেজি ৪০ দা এম এল এস এগী টি ঐচ মালোটি, কেজি ৪৪ দা এম এল এস এগী এম রোশিবিনা, কেজি ৪৮ তা বি বি এগী এল নুংশিথোই, কেজি ৫২ দা বি বি এগী এল মোনালিস, কেজি ৫৭ দা এম এল এস এগী এন জি দিপাবল্লি অমদি কেজি ৫৭ মথক্কীদা এম এল এস এগী এল গুগুরিয়ানা অহানবা তাখি।

সব–জুনিয়র বোইজকী কেজি ৪০ মখাগীদা এন এস এগী টি ঐচ চিংখৈঙানবা, কেজি ৪৫ মখাগীদা এন এস এগী এন রোহিট, কেজি ৫০ এন এস এগী মখাগীদা ৱাই উমাকান্ত, কেজি ৫৫ মখাগীদা এম রাজেন্দ্রো, কেজি ৬০ মখাগীদা বি বি এগী এ ৱাংলেন, কেজি ৬৬ মখাগীদা এন এস এগী টি ঐচ অদিটিয়া অমদি কেজি ৬৬ মথাক্কীদা বি বি এগী এন সিতলনা অহানবা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর জুদো এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ডা. কে ঐচ রতনকুমারনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর জুদো এসোসিয়েসনগী ৱাকিং প্রসিদেন্ট বিজয় কোইজমনা প্রসিদেন্ট অমদি য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টসকী দিপুটি ডাইরেক্টর ট্রেন্নিং এন্দ কোচিং টি ঐচ থৌবা সিংহনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

# প্রিয়ানকারনা মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্টকী টাইতল লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসি নাওরেমথোংদা লৈবা লাইশ্রম খূলেন লৈকাই কম্মুনিটি হোলদা জিম ১৩ দগী লাকপা বোডি বিল্ডরস ৩৭ না শরুক য়াদুনা ১৭ শুবা মিষ্টর ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোডি বিল্ডিং কন্টেস ২০১৯ পাঙথোকখ্রে।




পাঙথোকখিবা বোডি বিল্ডিং কন্টেস অসিগী সেনিয়রগী কাঙলূপ্তা কে বি বি জিম তেরাগী সোরাইশম প্রিয়ানকারনা অহানবা, ৱার্ল্ড জিম য়াইস্কুলগী খূমজাময়ুম তাখেলঙানবানা অনীশুবা অমদি সলাই বোডি স্কপচর তেরাগী খাইদেম ৱাশিংতননা অহুমশুবা তাখি।

মাষ্টরগী কাঙলূপ্তা সলাই বোডি স্কপচর তেরাগী খাইদেম ৱাশিংতননা অহানবা, কেলিসথিনিক হেল্ড সারকুইদ তেরাগী তখেলম্বম দুসান্ত সিংহনা অনীশুবা অমদি এন টি জিম লংথবালগী লাইময়ুম শেখরজিৎ শর্ম্মনা অহুমশুবা তাখি।

জুনিয়রগী কাঙলূপ্তা সলাই বোডি স্কপচর তেরাগী শারুংবম মলেমঙানবা মৈতৈনা অহানবা, য়ুনাইটেদ জিম মণিপুর নাওরেমথোংগী কোঙ্গ্রাইলাতপম নেপোলিয়ান শর্ম্মানা অনীশুবা, শাইওন জিম ময়াং ইম্ফালগী পোৎশঙবম নিখেল সিংহনা অহুমশুবা, সলাই বোডি স্কপচর তেরাগী পুয়ম গুলিপনা মরিশুবা অমদি ৱাই বি বি জিম পিশুমগী মৈনম দেবদতানা মঙাশুবা তাখি।

মেন্স ফিটনেসকী কাঙলূপ্তা সলাই বোডি স্কপচর তেরাগী পুয়ম গুলিপ সিংহনা অহানবা, শাইওন জিম ময়াং ইম্ফালগী পোৎশঙবম নিখেল সিংহনা অনীশুবা, এম কে ফিটনেস সেন্টর শাগোলবন্দগী ওইনাম লিবাট মৈতৈনা অহুমশুবা, শাইওন জিম ময়াং ইম্ফালগী খুরাইজম রোনল্ডো সিংহনা মরিশুবা অমদি য়ুনাইটেদ জিম মণিপুরগী হুইরেম কেনিদিনা মঙাশুবা তাখি।

পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সুনিল করাম, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ এলেক্স,ওল মণিপুর বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী ৱাই সুন্তা অমদি আই পি এস এগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

# ফিদা এফ সি তেন্থানা ৱিন্নর ওইখ্রে

থৌবাল, ওগষ্ট ১১ ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শীন্দুনা থৌবাল চাওয়াইমা হয়র সেক্রেন্দরী পেপ্ল গ্রাউন্দা জুলাই ২৬ তগী চখরকখিবা ২ শুবা অন্দর ১৩ বোইজ ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী চেম্পিয়ন ফিদা এফ সিনা ওইখ্রে। পূন্না টিম ৮ না গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্লুনা চখরকখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ফিদা এফ সিনা সি আই টি ৱাই সি হৈরোকপু কিক ফোম পেনালটি মাক্তা থোয়খিবনি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা থৌবাল কেন্দ্রদা মীরেপ ওইখিবা এল বসন্তা অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাংখেম কেন্দ্রগী মীরেপ ওইগনি হায়না থৌরাংলিবা এল দোমেননা ৱিন্নর ওইখ্রবা ফিদা এফ সি তেন্থা অমদি রন্নস অপ তাখ্রবা সি আই টি ৱাই সি হৈরোক্তা ট্রোফি অমদি শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# য়ুম্নাম থোইবীনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (এস এন এস)ঃ মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী লম্ফেল পাৎতা লৈবা ওফিসর টেন্নিস কম্পেলেক্সতা পূন্না শান্নরোই ২৫ না শরুক য়াদুনা চখরকপা ১৮ শুবা গভর্ণরস ট্রোফি টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী চহী ১৪ মখা নুপীমচা সিঙ্গলসকী টাইতল য়ুম্নাম থোইবীনা লৌখ্রে। থোইবীনা পুজা শাইখোমবু ৬–০, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা টাইতল লৌখিবনি।

চহী ১০ মখা নুপামচা সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা জোসুৱা থিয়াম অমদি সোহাম কৈশামগা শান্নগনি অদুগা চহী ১২ মখা নুপামচা সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ধনরাজ অমদি কণজিৎকা শান্নরগনি

# শুট্টিং কম্পিটিসন লোয়শিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (এস এন এস)ঃ মণিপুর রাইফল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৯ দগী থা অসিগী ৪ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কম্পলেক্সকী সুট্টিং রেঞ্জতা চখখিবা ২৯ শুবা ওল মণিপুর সুট্টিং কম্পিটিসন ২০১৯ গী মনা মথুম য়েন্থোকখ্রে।

তোঙান– তোঙানবা য়ুনিট ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, এম পি এস সি, ব্লোজম স্কুল, এন এস য়ু, এম আর এ অমদি জে এস আরদগী লাকপা পূন্না সুট্টর ১১৬ না তোঙান– তোঙানবা ইভেন ৪৪দা শরুক য়াদুনা অথোয় অহেন তান্নখিবা সুট্টিং কম্পিটিসন অসি ঙসি লোয়শিনবগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিপ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী সুনিল এলাংবম অমদি মণিপুর রাইফল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এম রাচান্দ্রনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।






Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com